# মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং এফ সি গোৱা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৯শুবা মেচতা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

Match on 29 (Tue.) Oct.
JAMSHEDPUR Vs HYDERABAD



মার্গাও, ওক্টোবর ২৮(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা লীগ মেচতা মমাঙ এদিয়সনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সি অমদি মেচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা ক্লব এফ সি গোৱা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

কুমজা ২০১৮-১৯গী হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা এফ সি গোৱাবু মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। মদুগী রিমেচট ওইনা ঙসি টিম অনীনা ৬শুবা এদিসন অসিগী ৯শুবা লীগ মেচ ওইনা অহানবা ওইনা লম্বা তৌনখি।

এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী মমাঙগী সিজনদা মখোয়বু ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্বা বেঙ্গালুরু এফ সিবু ক্লব অদুগী শান্নবুংদা মায়থীবা পীননবা অচৌবা ৱাখল্লোল অমগা শান্নবা হৌখি। নাকল অমরোমদা লীগ অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিনা সিজন অসিগী অহানবা মেচতা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট মাংজখিবা অদু ফুগৎতুনা মপুং ফাবা পোইন্ট ৩ লৌননবগী ৱাখল্লোলদা এফ সি গোৱাবু লম্বা তৌননবা শেম শাখি।

পনবা য়াই, এফ সি গোৱা টিমগী নম্বর ১ গোল কিপ্পর অদু মণিপুরগী হৌখিবা শান্নরোয় মহমদ নৱাজনা ওইরি। টিম অদুদা মণিপুরগী হৌখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় সৈমিনলেন দোঙেলসু শরুক য়ারি।

অমরোমদা, বেঙ্গালুরু এফ সিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী রিগুলর প্লেয়র অমা ওইরিবা কুমাম উদান্তানা ক্লব অদুদা মণিপুরী মচা অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরি।

মেচ হৌরকপদা টিম অনীমক লেং মান্ননা মখোয়না পুখৎলকপা বোলশিং অদু মায়োক্নবা টিমগী হাফতা পুশিন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু তাঙ্কক কয়াদা দিফেন্দরশিং অদুনা মায়োক্নবা ষ্ট্রাইকরশিংনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু ঙাকথোক্তুনা মেচকী অপিবা মতম মিনট ৪৫ অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

চৎলিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনদি বেঙ্গালুরু এফ সি অমদি এফ সি গোৱাগী টিমগা চাংদম্নরুবদা ঙসিগী মেচ অদুগী য়ুম্বু ক্লব অদুনা ফজবা ঙল্লি। এফ সি গোৱানা ঙসি মখোয়গী ওইনা চৎলিবা ৬ শুবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা চেন্নাইন এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা মপুং ফাবা পোইন্ট ৩ ফঙবা ঙমখি। অদুবু বেঙ্গালুরু এফ সিদি মখোয়গী অহানবা মেচ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমখক ফঙলি।

অনীশুবা হাফতা বোল পায়বগী চাং মান্নরপ তৌরবসু মগুন লৈবদি বেঙ্গালুরু এফ সিনা হেঞ্জিল্লকখি। মেচকী ৬২ শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী কাউরকখিবা য়াম্না শাংবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় ওনৰুনা ফঙদুনা চোংখৎলগা হেদ তৌশিনখিবদা টিমমেট ফোল অমসুং পেনাগী মরক্তা তারকপা অদুদা পেনানা কন্ত্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী নাম্থোরকখিবা বোল অদু নক্না লৈরম্বা কুমাম উদান্তানা কাউশিনখিবদা এফ সি গোৱাগী গোল কিপ্পর মণিপুর মচা মহমদ নৱাজ মায়থীবা পীরগা চঙখিবদগী মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থারকপদগী বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অহেনবা থৌনা লাকখি। অমরোমদা, পাঞ্জল শোত্থরবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোয়শিংনা খুদোংচাবা অমা হেক ফঙবগা বেঙ্গালুরু এফ সিগী গোল তম্না পুশিল্লক্নবা লাক্লখি।

শান্নবগী লেমহৌবা পুংখাই অমগী মতম অদুদা এফ সি গোৱানা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদা বোল পুশিল্লকখি। মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা এফ সি গোৱাগী কোরোরনা পুশিল্লকপা বোল অমা বেঙ্গালুরু এফ সিগী দিফেন্দর আসিক্না পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংঙখিবা অদু কোরোনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Goa | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 1 | +3 | 4 |
| 2 | NorthEast United | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | +1 | 4 |
| 3 | Mumbai City | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | +1 | 4 |
| 4 | ATK | 2 | 1 | 0 | 1 | 6 | 2 | +4 | 3 |
| 5 | Jamshedpur | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 6 | Kerala Blasters | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 7 | Bengaluru | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 8 | Chennaiyin | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 | -3 | 1 |
| 9 | Odisha | 2 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 0 |
| 10 | Hyderabad | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 5 | -5 | 0 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্না থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট সৌরব গঙ্গুলি অমসুং এন সি এগী মকোক ওইরিবা রাহুল দ্রাবিদকা উন্নদুনা খন্ন-নৈনগদৌরি





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮(এজেন্সী): মতম কুইনা ইন্দিয়াগী ক্রিটেক টিমমেট ওইমিন্নরক্লবা হৌজিক্না বোর্দ ওপ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরবা সৌরব গঙ্গুলি অমসুং নেসনল ক্রিকেট একাদমীগী মকোক ওইরিবা রাহুল দ্রাবিদনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা উন্নদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী 'দি ৱাল' হায়বা মীংথোল ফংখ্রবা রাহুল দ্রাবিদনা চহী অসিগী জুলাই থাদা নেসনল ক্রিকেট একাদমীগী মকোক ওইনা থৌ পুখিবনি। মহাক্না ফম হেক পায়রকপগা একাদমী অদুগী ওইবা রোদ মেপ অমা শেমদোক্তুনা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী নৌনা ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্তেনসু ওইরম্লবা বেটচমেন সৌরব গঙ্গুলিনা রাহুল দ্রাবিদনা লুচিংলিবা নেসনল ক্রিকেট একাদমী অদুনা লৈবাক অসিদা মখাতানা অফবা ক্রিকেট শান্নরোয় পুথোক্নবগী লম্বেল য়াৎলিবা অদুদা মহাক্কী ওইবা অনৌবা ৱখল্লোন হাপচিন্নবগীদমক মকোক থোংবা অনীনা বেঙ্গালুরুদা উন্নদুনা ৱারি শান্নগদৌরিবনি।

# রগবি ৱর্ল্ড কপকী সেমীফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকানা ৱেলসপু পাঞ্জল ১৯-১৬তা থোইদুনা ফাইনেলদা ইংলেন্দগা থেংনরগনি

RUGBY WORLD CUP™ JAPAN 日本 2019



য়োকোহামা, ওক্টোবর ২৮(এজেন্সী): জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা মমাং থাগী ২০দগী হৌরকখিবা রগবি ৱর্ল্ড কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকানা ৱেলসপু পাঞ্জল ১৯-১৬তা থোইদুনা ফাইনেলদা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

রগবি ৱর্ল্ড কপ অসি পুন্না লৈবাক ২০ লম্বা তৌনরক্তুনা সেমীফাইনেলগী থাক য়ৌরকখি। ঙরাং য়োকোহমা ইন্টর্নেসনল ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা ৱেলস অমসুং সাউথ অফ্রিকা লম্বা তৌনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ২৬-৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা ৱেলসকী টিম্না মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা শুপ্নগী পোইন্ট ১খক হেল্লগা ২০-১৯দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি।

পনবা য়াই, থা অসিগী ২৬তা শান্নখিবা রগবি ৱর্ল্ড কপ ২০১৯গী অহানবা সেমীফাইনেলদা ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ১৯-৭তা থোইবা ঙমখি। মদুগী মাংওইননা ইংলেন্দগী টিম অদুনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু য়াম্না হেন্দদুনা পাঞ্জল ৪০-১৬তা থোইরম্বনি। নাকল অমরোমদা মখোয়গা সেমীফাইনেল লম্বা তৌনখিবা ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা আয়রলেন্দগী টিম্বু পাঞ্জল ৪৬-১৪দা থোইরমখি।

ওক্টোবর ২৬তা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা ইংলেন্দ অমসুং ন্যু জিলেন্দ শান্নখিবদা অহানবা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা ইংলেন্দগী টিম্না মায়পাকপদগী অহানবা টিম ওইনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবানি।

রগবি ৱর্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেল মেচ অদু নভেম্বর ২দা ইংলেন্দ অমসুং সাউথ অফ্রিকা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা মদুগা মাংওইননা নভেম্বর ১দা সেমীফাইনেল মায়থীহৌবা টিম অনী ন্যু জিলেন্দ অমসুং ৱেলসকী টিম অহুমশুবা পোজিসনগী লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী ক্লব গোকুলম কেরালা এফ সি চিত্তাগোং অবাহানিগী মখুত্তা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীহৌদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে



চিত্তাগোং, ওক্টোবর ২৮(এজেন্সী): বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি চিত্তাগোংদা লৈবা এম এ অজিজ ষ্টদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ক্লব গোকুলম কেরালা এফ সি য়ুম্বু লৈবাক অদুগী ক্লাব চিতাগোং অবাহানিগী মখুৎতা এক্সট্রা টাইমনা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীবা নংদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

গোকুলম কেরালা এফ সি থা অসিগী ১৯দগী হৌরকখিবা সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী গ্রুপ 'বি'দা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। মখোয়না গ্রুপ অদুগী অরোইবা লীগ মেচতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব চেন্নাই সিটিবু মায়থীবা পীখি। গ্রুপ অদুদা মখোয়না মেচ ৩দগী পোইন্ট ৭ ফংলগা মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানু এফ সিদগী গোল চনবগী চাং হন্থখিবা মরম্না অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নাকল অমরোমদা ঙসি গোকুলম কেরালা এফ সিগা অহানবা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ক্লব চিত্তাগোং অবাহানিনা গ্রিুপ 'এ'দা মকোক ওইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি। গ্রুপ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব মোহন বাগান এ সিগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপদা গোকুলম কেরালা এফ সিনা লাকচবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ২৯ শুবা মিনটতা কিসেকানা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা বংলাদেশকী চিত্তাগোং অবাহানিবু ১-০দা মাংজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা চিত্তাগোং অবাহানিগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ২ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী শান্নরোয় ব্রোসোনা ইক্বেলাইজর চন্দুনা মিটম অনীমক য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈরকখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ অদুগী পুংখাই হেল্লবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নখ্রবা মতুং মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা অদুমক লৈখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ১০দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী ক্লব গোকুলম কেরালা এফ সিনা ৮০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা চিত্তাগোং অবাহানিবু ২-১দা মাংজিল থাদুনা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল শেমখি।

বংলাদেশকী ক্লব চিত্তাগোং অবাহানিনা মেচকী অরোইবা মীৎকুপ্তা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ব্রোসোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মতাং মতম চানা ইক্বেলাইজর ফংখিবদগী পুংখাই অমগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা মখা তানা লম্বা তৌনখি।

এক্সত্রা টাইমগী হৌরকপা মেচকী ১০৫ শুবা মিনটতা চিত্তাগোং অবাহানিগী মায়কৈদগী সিনেদুনা য়াম্না মরু ওইবা পাঞ্জল অমা চল্লগা গোকুলম কেরালা এফ সিবু মাংজিল থাখি। ইন্দিয়াগী ক্লব অদুনা ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমখিদবদগী ২-৩দা মায়থীদুনা ফাইনেল য়ৌখিদে।

# স্পেনগী অলিজেন্দ্রো ফোকিনানা লিয়ুঝৌ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



লিয়ুঝৌ, ওক্টোবর ২৮(এজেন্সী): চাইনাগী সিটি লিয়ুঝৌদা থা অসিগী ২১দগী হৌরকখিবা এটিপি টুরগী মনুং চনবা লিয়ুঝৌ টেন্নিস কোর্টতা শান্নবা চেলেঞ্জর টুর অমা ওইখিবা লিয়ুঝৌ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু স্পেনগী শান্নরোয় অলিজান্দ্রো দেবিদোবিস ফোকিনানা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোয় প্রজনিস গুনসেকরন্না নম্বর ৱান সিদেদ ওইদুনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক অহুমশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় ৱু টুং লিনগা শান্নগদবা অদু শোকপদগী মখাতাবা ঙমখিদনা ৱাক ওভর পীথোকখি।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা ইজরেলগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ দেনিস ইষ্টোমিন অমসুং নম্বর টু সিদেদ স্পেনগী অলিজান্দ্রো দাবিদোবিস ফোকিনাগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট অদু অলিজান্দ্রো ফোকিনানা ইষ্টোমিনগী সার্ভিস ব্রেক অমা তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াই, ফোকিনানা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা ক্রোসিয়াগী বোর্না গোজোবু য়াম্না কোম্না ৬-২, ৬-২দা থোইখি। অমরোমদা দেনিস ইষ্টোমিননা সর্ভিয়াগী শান্নরোয় দানিলো পেত্রোবিসকা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট লোয়দ্রিঙৈদা পেত্রোবিস শোকপদগী শান্নবা ঙমদনা পোথাখি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট মাংজিল থারবা অলিজান্দ্রোনা অনীশুবা সেট অদুসু থোইজিন্দুনা য়াম্না ঙন্না ফাইনেল মেচ অদু লোয়শিন্নবা হোৎনরকপদা দেনিস ইষ্টোমিনগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লখি।

অনীশুবা সেট অদু শান্নরোয় অনীমক্না লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরল্লুবা মতুং গেম ৫-৫দা লৈনরকখি। ইজরেলগী শান্নরোয় দেনিস ইষ্টোমিননা ফোকিনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবদগী অমদি মশাগী সার্ভিস হোল্ড তৌদুনা ৭-৫দা থোইরগা ফাইনেল মেচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মমাংগী সেট অনীদগী অমুক হেন্না পোইন্ট মুন্নদুনা শান্নরকপদা অমনা অমগী সার্ভিস গেমশিং ব্রেক তৌবা ঙম্নদনা গেম ১২ লোয়শিল্লকপদা ৬-৬ থোইনদুনা লাকখি। টাই ব্রেক শান্নরকপদা স্পেনগী অলিজান্দ্রো দাবিদোবিস ফোকিনানা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাংলুপ্তা রসিয়াগী মিখেল এলগিন অমসুং ইজরেলগী দেনিস ইষ্টোমিননা ৩শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী নাম জি সুং অমসুং সোং মিন ক্যুবু ৩-৬, ৬-৪, ১০-৬তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী বিষ্ণু ভর্ধননা জপানগী টোসিহিদে মাটসুইগী পেয়র ওইদুনা সেমীফাইনেলদা টাইটল ফংখিবা মিখেল এলগিন অমসুং দেনিস ইষ্টোমিনগী মখুত্তা মায়থীখি।

# সার্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী অনৌবা রেঙ্কিং লাওথোকপদা মকোক্তা লৈরি



পেরিস, ওক্টোবর ২৮(এজেন্সী): মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা খ্বায়দগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিং লাওথোরকপদা সর্বিয়াগী শান্নরোয় নোবাকা জোকোবিসনা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙল্লি।

চয়োল ৫২গী ওইবা পোইন্টকী রোল্লিং সিষ্টেম অমা শেমদুনা এসোসিএটেট টেন্নিস প্রোফেসনেলদা থল্লকপা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নেরায়শিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিং অদু ঙসি লাওথোরকপনি।

সর্বিয়াগী শান্নরোয় নোবাক জোকোবিসনা নৌনা থোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা পুন্না এটিপি পোইন্ট ৯৫৪৫ ফংদুনা খ্বায়দগী মকোক্তা লৈরি। মহাক্কী হেক মথংদা শুপ্নগী পোইন্ট ৩২০খক শোত্থরগা অনীশুবা পোজিসনদা স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদাল লৈরি।

পরিং অসিগী অহুশুবা পোজিসনদা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা স্বিজ ইন্দোর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা পোইন্ট ৬৯৫০ ফংলগা লৈরি। এটিপিগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা শুপ্নগী অহোংবা অমখক লৈখি।

ইটালিগী শান্নরোয় মটিও বেরেটিনিনা হন্দক এটিপিগী অনৌবা মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা মহাক্কী করিয়রগী ওইনা অহানবা ওইনা মমাংদা ১১শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা অদু কাখল অনী হাইগৎতুনা ৯শুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা মটিও বেরেটিনিনা হৌখিবা চহীদা নুপা শান্নরোয়শিংগী ওইবা মকোক মথং তাবা পরিংদা ৫২শুবা থাক্তা লৈরম্বানি। চহী অসিদা মহাক্না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্টশিংদা মায়পাকপা ঙল্লকপদগী ৯শুবা থাক অদুদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

চহী অসিদা মাটিও বেরেটিনিনা বুদাপেষ্ট অমসুং ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা এটিপি টুর্নামেন্ট অনীগী টাইটল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা চহী অসিগী অরোয়বা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইখিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদালগী মখুত্তা মায়থীহৌখিবনি।

করিগুম্বা চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল থাক ফাওবা বেরিটিনি য়ৌবা ঙল্লবদি লন্দনগী এটিপি ফাইনেলসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদদৌরিবনি।